মীয়াম্না ওটিজমগী এৱ্যেনের্স লৈরবা মতমদা দিসওর্দরনা নারবশিংবু হন্থনা য়েংবা লেপখিগনি : ঙাঙোম উত্তম

ইম্ফাল, এপ্রিল ০২ (ঐচ এন এস) : লৈবাক মীয়াম্না ওটিজমগী দিসওর্দর লৈরবা মীওইশিং মরু ওইনা অঙাংশিংবু হন্থনা য়েংলিবসি এৱ্যেনের্স প্রোগ্রাম নীংথিনা পাঙথোক্তুনা ৱাখল তাহনবা মথৌ তাই। ওটিজম নারবা মীওইশিংনসু ঐখোয়গা পুন্না লৈকোল অমত্তদা শাৎমিন্নবা লৈরাংনি খনবা ঙমগদবনি অমদি মখোয়বু কোনশিনবীগদবনি হায়না সোসল ৱেলফ্যেরগী দিরেক্তর ঙাঙোম উত্তমনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফমসি ঙসি তৌপোকপী কৈথেল লংথবাল কুঞ্জদা লৈবা স্পাষ্টিক সোসাইটি ওফ মণিপুরগী কেম্পসতা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড ওটিজম দে ২০২৪গী থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীবদা ফোঙদোকখিবনি।

'মুভিং ফ্রোম সর্ভাইবিং টু থ্রাইভিং: ওটিষ্টিক ইন্দিভিজ্যুএলস স্যের রিজনল পর্স্পেক্টিভ' হায়বা হীরমসিদা পাঙথোকখিবা থৌরমদুদা দিরেক্তর ঙাঙোম উত্তমনা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ সাইকিয়াট্রিগী প্রোফেসর আর কে লেনিননা থৌরম মপু অমদি স্পাষ্টিক সোসাইটি ওফ মণিপুরগী সেক্রেটারি রিকি লাইশ্রমনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

দিরেক্তর ঙাঙোম উত্তমনা মখা তানা হায়খিবদা, ওটিজমগী এৱ্যেনের্স অসি মণিপুরগী মফম কয়াদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক য়ৌহনবা মথৌ তাই। অদুবু হায়রিবা ৱাফমসি অরাইবা থবক্তি নত্তবনিনা ঐখোয়না অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা প্রি-নর্সারি, প্রাইমারী ওজাশিং অমসুং এক্রিদিটেদ সোসল হেল্থ এক্তিভিষ্ট (অশা) ৱার্কর অমসুং অঙ্গনৱাদি ৱার্করশিংবু হান্না এৱ্যেনের্সকী মতেংনা ৱাখল তামিন্নরগা মখোয়না অমুক লৈকায়-লৈকায়দা এৱ্যেনের্স কেম্প্যেনদা মতেং পাঙবা মথৌ তাই হায়খি।

পীক্লিবা অঙাংদসু ওটিজম লৈরম্বা য়াই চিংনরবদি অথুবা মতমদা দিটেক্ট তৌরগা চহী নৌরিঙৈদা ইন্টর্ভেন্সন তৌহৌরবদি অঙাং অদুগী তুংগী পুন্সি য়াম্না কোম্না অমদি শাফনা হিংবা ঙমগনি। অদুবু ওটিজমগী লায়েংফমদি লমদমসিদা মতিক চানা লৈরব্রা হায়বা ৱাফম অমা থোরক্লিবসিদা দিরেক্তর অমা ওইনা ওথোরিটি অমসুং এন জি ওশিং খূৎশম্নদুনা এৱ্যেনের্স অমসুং ইন্টরভেন্সন তৌবা ঙম্নবা হোৎনমিন্নবা মথৌ তারি হায়খি।

থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

অমম্ববু ঙালহন্নবা মৈরি অমা উরিবসি ঙালহনসি

মেনিফেষ্টো- হায়বা ৱাহৈসি ঐখোয়না থেংনরকপদা লৈপাক্কী অচৌবা মীরেপ-মীখল, এসেম্ব্লী নৎত্রগা লোক সভাগী ইলেক্সন ময়া নকশিল্লক্লবা মতমদতা থেংনবা ৱাহে ওইরকই। কনানসু লুনা/লুম্না লৌনদে। পার্টিদুনা থাদোরকপা মীরেপশিংনা মশীং হেন্না মায় পাক্লক্তুনা সরকার শেম্বা ঙম্নবা, সরকার পায়রিবা মীয়ামগী মীহুৎশিংদুনা মীয়ামগীদমক পাঙথোক্কদবা য়াইফ-থৌরাং-থৌশিলশিং অদুগী অইবা চেরোল/ৱারোলশিং অদুনি মেনিফেষ্টো। অপঙবা/লাইরিক হৈতবা প্রজাশিংনি, চেরোলশিংদুদা ইরিবা/শক্তোকখিবা ৱাশকশিং ঙাকপা/ঙাক্তবা, থবক ওইনা পাঙথোকপা নৎত্রগা পাঙথোক্তবা- সরকারদুদা করিগুম্বা মখলগী ইফেক্ট লৈরোই খঙবনা মেনিফেষ্টোদা শকখিবা ৱাশকশিং সরকার পায়বা য়াওরিবা অঙম-অথৌ অমত্তনা নোংমতসু নীংশিংখিদে। ৱাশক ঙাকপা/ঙাক্তবা, ৱাশকপা হায়বসি পোলিটিসিয়নশিংগী মরমচংনি খল্লকপনা মখোয়গী মশক তাক্লবা ৱাহে অমা ওইরকই... 'তুরেল লৈত-মফমদা থোং শানি ৱাশকপা, পুখ্রি লৈত-মফমদা ঙা য়োক্লি ৱাশকপা'...।

মীরোনগী ৱাহে অসিগী চপ চাবা ৱাহন্থোক ইরোনসিদা করিনো? থিনরুদে কনানসু, ইরোনগুম্না শীজিন্নরকই মমাংঙৈদই হৌজিকফাও। কনানসু থওই-ৱাওইরুদবনা 'ইলেক্সন মেনিফেষ্টো' হায়বসি ওইদ' ৱাশক পরেংনি- খন্নরকই মীয়াম্না। পোলিটিকল পার্টি অমত্তগী মরু ওইবা থৌমীনা মেনিফেষ্টো শেম্বদা থরায় হকচাং য়াওশিন্দে, পুক্লিং চঙনা শেমখিদে। পার্টি ৱার্কর অমত্তনা, মাগী পার্টি-মেনিফেষ্টো নোংমতসু নীংশিংদে পাবা ফাওবা পাখিদে। অদুবু, অতৈ পোলিটিকল পার্টিশিংগা মান্নদবা, ইলেক্সন মতম লাক্ল'কান্দতা শেম্বা মেনিফেষ্টো নত্তবা, পার্টিদুমক্কী ওইবা ৱাখল-ফিদম-ফিলোজোফি, থৌরাং-থৌশিল পুন্নমক শেংনা তাকপা, ঙাইহাক্কী (টেম্পরেরি) ওইবা ৱাশক নত্তবা মতম চুপ্পগী ওইবা পান্দম অমা, লাইরিক ওইনা ইথোক্তুনা ফোঙবা পার্টি অমখক লৈ। 'কম্যুনিষ্ট মেনিফেষ্টো' হায়না মিংথোনবা, ফ্রেন্দরিক এঞ্জেল অমদি কার্ল মার্ক্স'না ইবা লাইরিক অসি 'কম্যুনিষ্ট পার্টি মেনিফেষ্টো' হায়নসু খঙনৈ। লাইরিকসিদা য়াওরিবা ৱারোলশিং অসিদা থাজজবা মীওইশিং অদুনি কম্যুনিষ্ট পার্টিগী মেম্বরশিং। চাউখ্রবা লাইরিক অমনি, পাকখ্রবা ৱাখল্লোন অমদা যূন্‌ফম ওইবনি। পীকখ্রবা কাখল অসিদা ইথোক্লবা ওইথোক্লোই। অদুবু, অতেনবা ৱাহৈ পরেং অমদা ফোঙবা তারবা, ঈপাক অমগী ঈশিংবু খুজই অমদা হৈজিনবগুম, হায়বা তাই অসুম্না... 'শেঞ্জাও পায়বা, লৌয়াম চাবা (কেপিটেলিজম)গী অরোইবা পুরক্লবগী অমত্তা ঙায়রবা পাম্বৈদি থবক-শুবা-শিন্নী (প্রোলেটরিয়েৎ)শিং অমত্তা ওইনা পুনশিনবনি... মদু ঙম্লবতদা অওনবা অমা লাক্তুনা কম্যুনিজমগী যূন্‌ফম থোল্লগনি, মান্নবা খুন্নাই ওইরক্কনি, লায়র-ইনাক খুনবা অনীগী খেন্নবা লৈরক্লোই হায়বগী থিওরি অদুনি'...। থিওরি নৎত্রগা হাইপোথেসিস হায়বসিমক্তবু ইচম চম্বা ষ্টেটমেন্ট (ৱাহায়) অমনি! ৱাহায় অসি অচুম্বনি হায়দুনা প্রমান তৌদুনা উৎপা অমা তঙাইফদে। মদু তৌদ্রিমখৈদি ৱাফম অদু অচুম্বনি হায়না কনানসু লৌখিরোই। চহী ১৭৫গী মমাঙদা ইখিবা অমসুং ফোঙখিবা পোলিটিকল ফিলোজোফি অসি মীয়াম্না পাম্নবা/য়ানরবা অমা ওইরল্লবা, মালেমগী লৈপাক অয়াম্বা কম্যুনিষ্ট কন্ত্রিঙাক্তা ওইরল্লনি ঙসিদি। অদুবু, ওফিসল ওইবা রেকোর্দকী মতুংইন্না কম্যুনিষ্ট ষ্টেট ওইনা শকখঙবা মালেমগী লৈপাকসি ঙসি মঙাখক্তা ঙায়শিল্লক্লে, সোভিয়েট-রসিয়া কায়খ্র'তুং-চাইনা, ক্যুবা, লাওস, ভিয়েৎনাম অমসুং অৱাং কোরিয়া (দি পি আর কে)। ৱাফম অসি চাউরাক্না হাইফেৎ নীংশিংজরম্বা- মেনিফেষ্টোদা ইরিবা 'ফিদম-লৈঙাক-পথাপ'তু 'থবক ওনবা ঙমদরে' হায়রিবরা/মীয়াম্না পামদ্রে হায়রিবরা... পাউজেল অমদি পীরিবনি হায়জনীংলুবগীনি।

কম্যুনিষ্ট মেনিফেষ্টো ফাওবা মীয়ামগী কোক্তা চঙদ্রবদা, ইলেক্সন ময়াগী, কুমগী নোংগী ঈকা-ঙা ফানবগী লাংগুম্বা, ওইদ-ৱা-পরেং কনানবু তারম্নি? অদুগুম্বা মেনিফেষ্টো পারগুমসি, খল্লোইসি। কোংগ্রেস করম্বা পার্টিনো? বি জে পিনা করম্বা? খঙলে উরে পুন্নমক্লা। উতাংবীগুম বি জে পিদা নপ্পগা হিংবা আর পি আই। শক্লিংবা ৱাশক শকসনু- ৱাশক্তুদা য়েংলগা ঐখোয়গী ভোট পীগুমসি। মীরেপ তরুক লেপ্লেন্দনা মীৎমাঙদা। মখোয় তরুক্কী মনুংদা, মীনা মীথানবীদবা/উশিৎপীদবা মৈতৈশিংগী মীহুৎ ওইনা থাদুনা লেপহল্লুবদা মীনা উশিৎকদবা, মমাঙদা মরৈ খৎঙল্লোইদবা মীশক অমা খন্দোকসি। চহী মঙা মিনিষ্টর ওইনা লৈরুবসু মরমদম মৈ থারকপা/মরৈবাকচাশিং হাৎনরকপদা পার্লিয়ামেন্টকী মীফমদুদা মথম্মোয়গী ৱা খরদং ফোঙদোকচগে হৌগৎপদা হৌগৎপা য়ারোই ফমথহনবা পার্টিদুদি, ফনা হৈবা ওইসনু- মখোয়গী ৱা খন্নরোইসি। মহাক্কী মপাং ওইরিবা পার্টি, মহাক্কীদি করি ওইনি? শন্দোক্লা অমুক ইখিসিরা? থা তরা চুপ্পবু চেঙ কিলো তরেৎ নিপানগী মমল ওইবা নোংমৈ মরু, মৈতৈশিংগী মথক্তা নোং চুবগুম হৈথরম্বা, ভোট ময়া নকশিল্লকপসিদা নোংমৈ কাপ্পা লেপহনখিবা... মমাঙগী নুমিৎশিংদসু, ইন্দিয়ন রুল্লরশিংসিনবু পাল্লবদি লান খাম্বা ঙল্লম্মী হায়বই খুদম নত্তরা? দেল্লিগী লাল-কিল্লা'দগী ওইরমাল্লে, মুস্লিম ইচিল-ইনাওশিংদা ৱা ঙাংবদা 'মণিপুরদা শান্তি হঞ্জিল্লক্লে, হাৎন-শুনবা তপ্পা তপ্পা লেপখ্রগনি' হায়না মোদিনা হায়খিবা ৱা অমা ভাইরেল অমুক ওইহল্লক্লে। কয়াদা তাৎ হৈখ্রবা! ভোট হেক লোইবগা নৌনা এট্রেক হৌনবা শেম-শারি কুকিশিংনা, ত্রেনিং তৌরি হৌজিকসু- হায়বা ৱারোল অমসু অতোপ্পা ভাইরেল ভিদিও অমদগী ফংখি।

ৱারেং অসি পাবীবা ইচিল-ইনাও, ইচে-ইচলশিংদা হায়নীংবা ৱা অমখক্তনি- পঙথনবা য়াই থারক্লিবা, মতিক লৈবা য়াই কয়ানি, থারকখিনি লেপ্তুনা। ঐখোয় পঙথখিগুমসি। থা তরামাথোই থমায়রক্লবনি। বুদ্ধি-লৌশিং মমহনখ্রবনি। মাঙদা উরক্লিবা, অমম্বসিবু ঙালহনবা ঙম্বা মৈরীসি, মশেক মঙাল নাইহনসি।

ফিল্ম প্রিজার্ভেসন এন্দ প্রদক্সনগী মতাংদা ৱার্কশোপ পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০২ (ঐচ এন এস) : মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভেলপমেন্ট সোসাইটি (এম এস এফ দি এস)না থাদোরকপা চেরোল অমনা মনুং থিৎনা খঙহন্নবগী পান্দমদা ফিল্ম প্রিজার্ভেসন এন্দ প্রদক্সনগী ওইবা ইন্টেন্সিভ ৱার্কশোপ অনী লাক্লিবা এপ্রিল ৪দগী ৭ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্কশোপসি এস এন চান্দ সিনে অর্কাইব এন্দ ম্যুজিয়ম (এস এন সী সী এ এম)গী অহুমশুবা মপোক কুমওন অমদি মণিপুরী সিনেমাগী মপোক নুমিৎ 'মমি নুমিৎ'কা মরী লৈননা পাঙথোক্কদবনি। থৌরমসিগী মনুং চন্না এপ্রিল ৪দগী ৬ ফাওবনা ইন্টেন্সিভ হেন্দ ওন ত্রেনিং ৱার্কশোপ ওন ফিল্ম প্রিজার্ভেসন হায়বসি পাঙথোক্কনি। ৱার্কশোপ অসি ফিল্ম কঞ্জার্ভেটর জোন্সন রাজকুমারনা কন্দক্ট তৌগনি। জোন্সন রাজকুমার এস এন সী সী এ এমগী ফাউন্দেসন উরেপ-উয়ুংতমখিবদা নত্তনা চেম্পিয়ন ওফ ফিল্ম হেরিটেজ এৱার্দ ২০২২ ফংখ্রবনি।

ৱার্কশোপসিদা ফিল্ম প্রিজার্ভেসন, ভিদিও, ওদিও অমসুং দিজিটেল ফোর্মেটশিংগী মতাংদা করম্না প্রিজার্ভেসন তৌগদগে হায়বগী মতাংদা খন্নগনি। শরুক য়ারিবশিংদা ফিল্ম কঞ্জার্ভেসন অমসুং রেষ্টোরেসনগা মরী লৈননা থিওরিগী ওইবা ৱারোলশিং খঙহনবদা নত্তনা দিজিটাইজেসন টেক্নিকসু তম্বীগনি।

মখা চথরকপা ওইনা নুমীৎ নীনিগী ওইবা প্রদ্যুসর্স লেব, টেলর্দ ফোর প্রেক্টিসিং প্রদ্যুসর, ফিল্ম মেকর্স এন্দ এস্পিরেন্টস হায়বসিদা এপ্রিল ৬ অমসুং ৭তা খন্ন-নৈনগনি। মসিদা ফিল্ম পুথোক্লবগীদমক স্ক্রিপ্টতগী স্ক্রিনদা য়ৌরকপা ফাওবদা চঙবা তঙাইফদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগা লোয়ননা নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনলগী থাক্তা ফিল্ম পুথোক্লবা খন্নগনি হায়রি।

ইমজেন্সি মীটিং পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০২ (ঐচ এন এস) : য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট মণিপুর (য়ু এফ এম)গী কনভিনর ডা. চবুংবম প্রেমচান্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হয়েং এপ্রিল ৩গী নুংথিল পুং ১ তাবদা য়ু এফ এমগী ইমজেন্সি মীটিং অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

মীটিং অদুদা লাক্লিবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলগী মতাংদা মরু ওইবা ৱারেপ কয়া লৌবগা লোয়ননা হৌখিবা মার্চ ২৬তা লৌখিবা ফ্রন্টকী ৱারেপশিংগী মতাংদসু খন্ন-নৈনগনি। মসিদা শরুক য়াহৌদবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই হায়রি।

'ইনাৎ-লাইনিং চৎনরিবশিং পুন্না লেপমিন্নরসি'

ইম্ফাল, এপ্রিল ০২ (ঐচ এন এস) : ওল ইন্দিয়া কংলা পাখংবা টেম্পল দিভেলপমেন্ট সোসাইটিগী জেনরেল সেক্রেটরি তেলেম ভোগেন মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা মীতোপ মীয়ানচাশিংগা ইরমদমগী ফম্নাইবা কয়াগা লৌতুনরগা য়েলহৌমী ঐখোয়গী লৈফম কয়া থুগায়দুনা তুংলমচৎ মুখৎনবা হোৎনরক্তুনা কাং-খোং চাইরিবা লাল্লকসিদা এম পি ইলেক্সন পাঙথোক্লবা হোৎনরক্লে হায়রি।

মীয়াম্না ভোট য়াওদ্রবসু নমদুনা মীখল পাঙথোকখ্রগদবনিনা য়েলহৌমী ঐখোয়গী শক্তম লাইফমশিং কনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবীরক্কনি খনবা মীরেপ এম পি ইলেক্সন অসিগীদমক চোংথোরক্লিবা মীরেপশিংগী মনুংদগী খনগৎলগা শৌগৎলসি। ইনাৎ-লাইনিং চৎচরিবা ঐখোয় পুন্নমক অমত্তা ওইনা লেপমিন্নসি। ইনাৎ-লাইনিংনা মুৎখ্রবদা মালেমসিদা কনানা হিংহৌগনি। ইবুধৌ পাখংববু নীংজরিবা পুন্নমক অমত্তা ওইনা চৎমিন্নরসি হায়না ফোঙদোরক্লি।

নেসনল পার্টিশিং তকথোক্তুনা রিজনল পার্টিগী মহাও য়েংবীয়ু : এম পি পি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০২ (ঐচ এন এস) : মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি)গী জেনরেল সেক্রেটরি (মীদিয়া এন্দ প্রোপেগন্দা) এন মঙ্গোলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ঙসি মণিপুর পিপলস পার্টিগী সেন্ত্রেল কন্মিটিগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা ১৮শুবা পার্লিয়ামেন্টরি মীখলদা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইরিবা আর কে সোমেন্দ্রো এলিয়জ কাইকুদা শৌগৎপা হায়না ৱারেপ লৌখ্রে হায়রি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, পার্টিসিনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা মীরেপ অসিবু মায় পাক্লনবা হোৎনবা হায়নসু ৱারেপ লৌখি। ৱারেপসি লৌবগী মরম পীরদুনা মহাক্না ফোঙদোরকপদা, এম পি পিগী স্পোন্সর কেন্দিদেট ওইনা নোমিনেসন তৌরুবদা টেক্নিকেল ওইবা প্রোব্লেম খরদগী ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ তাখিবা অমদি মঙোন্দা রিজনেলিজমগী ৱাখল্লোন চেৎনা থাজবসিনা মরম ওইরগা এম পি পিনা রিজনল পার্টি অমা ওইনা আর কে সোমেন্দ্রোবু শৌগৎপনি হায়খি।

মহাক্না ঙাক্লিঙৈ মতমদগী রিজনল পার্টিদা মীরেপ ওইননবা কন্না হোৎনরকখি। হন্দকসু পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সন অসিগীদমক পার্টিসিদা য়াওদুনা পার্টিগী কেন্দিদেট ওইনবা হোৎনখিবনি। অদুবু ফোর্ম এ অমদি বি সাইন তৌগদৌরিবা পার্টি প্রসিদেন্টকী মীখল মতমনা খুয়ৌনমনখিবনা ঈ সী আইদা রেকোর্দ তৌবগী খুদোংচাবা ফংখিদবনা মরম ওইরগা সোমেন্দ্রো এম পি পিগী কেন্দিদেট ওইনা নোমিনেসন ফাইল তৌরবসু স্ক্রুটিনি নুমিত্তা মহাকপু ইন্দিপেন্দন্ট মীরেপ অমা ওইনা লেপ্পা তাখিবনি হায়রি।

মরম অসিনা মণিপুরগী মীয়াম্না ইশাগী ইরমদমগী লৈঙাক্লোন্দা থাজবা পুন্নমক থন্নীরগা লৈবাকসিগী নেসনল পার্টিশিংগী অরোনবা এজেন্দা কয়া পুবা থৌওং কয়াগী মায়োক্তা আর কে সোমেন্দ্রো এলিয়জ কাইকুদা ভোট পীবীদুনা মণিপুর লৈমায়দগী নেসনল পার্টিশিং তকথোক্তুনা রিজনল পার্টিগী লৈঙাক্লোনগী মহাও য়েংবীয়ু হায়রি।

স্কুল বিল্ডিং শীজিন্নবা য়ারগনি : চেয়রমেন

ইম্ফাল, এপ্রিল ০২ (ঐচ এন এস) : ঈ/সীগী চেয়রমেন এন ইঙোবা মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হৌখিবা মার্চ ২০দা পাঙথোকখিবা এম এম আর সীগী ইগজিক্যুটিভ কন্মিটি মীটিং অমগী রিজোলুসন নম্বর ৪গী মতুংইন্না মরী লৈনবা স্কুলগী প্রিন্সিপাল/হেদ মাষ্টর অমসুং টিচিং ষ্টাফশিংনা মরু ওইনা দিপ্লোমা অমসুং সর্টিফিকেট কোর্স এম এম আর সী মালোম (ৱান) মণিপুর, দিরেক্টোরেট ওফ লেংগ্বেজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ১৫দগী কক্টুর্বা গার্লস হায় স্কুল জিরিবামদা ক্লাস হৌবা য়ারগনি হায়না খঙহল্লক্লি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (ৱাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩।০৪।২০২৪ ইং, য়ুমশকৈশা; নুমিদাং পুং ৬.৩০ ফাওবা লমতাগী ২৪ নি পাল্লি, মতুং ২৫নি পাল্লনি।

মেষ: থৌনা ফুদোক্লা থৌ পাঙবনা কান্নবা হেন্না ফংবা, লাই-গুরুনা চানবীবা, নীংবা মপা চাবা নুমিৎনি। য়েক্লবনদি হুন্দুনা ঙাংগনি-চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

বৃষ: হোয়া ফবা, আশা চাউবনা নথক থোংবগা মরী ফরোই। অরুবা থবক খূৎলোইনা পাঙবা ঙম্বা, পাউ নুংঙাইবা তাজবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংগী- হেন্না থাজবা য়ারোই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম

মিথুন: মীয়াম্না য়াগনি, নচা-ননাইসু চাওখৎকনি, খুদক্কী ওইবা ৱারেপ লৌবা ঙমগনি। হুরানবনদি তাথি, ওইদবনা মাঙওইনগনু।
লৈশা পাখংগী- মরী হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

কর্কট: নীংবা মপা চাগনি, হকচাং নুংঙাইগনি, মীচঙ খোম্বা য়াগনি। নোল্লুক্লা চৎপা, অশাওবা ফাথবা, মরুপ খনবা হৈবদি ফগনি।
লৈশা পাখংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

সিংহ: ফংবা য়াবা পনবা, নচাক-নরল চেকশিনগদবা, ৱা ঙাংবা লুবা নুমিৎনি। নচা-ননাইদি থাগনু, লৌশিংনা উপায় ওইয়ু-মায়থিরোই।
লৈশা পাখংগী- য়েৎনরম্বা ফরনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

কন্যা: মীৱা থাজবা, অখঙ-অহৈ শাবা, মীয়ামগা মুক্লবা ফত্তবা নুমিৎনি। থিবা-হুম্বা কনবা অমদি নচা-ননাইগী মতেং লৌবা কান্নগনি।
লৈশা পাখংগী- পুক্লিং ফাথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

তুলা: মীকোক থোংনা লন তানশিনবা, পাইরক্কী লৌশিং চাউবা, লেপ্পা লৈতনা হোৎনবগী মহয় ফংগদবা লৈ। নশাগীতা খনবদি ফরোই।
লৈশা পাখংগী- হেন্না আশা চাউরুখিনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা/চেঙ

বৃশ্চিক: লাই-গুরুগী মতেং ফংজগনি, মিংচৎ তানবসু য়ারগনি, ঙাংবা-শকপা অমদি শিনবা-লাঙবা হৈগনি। ফিংলদি মরুপ কায়নগনি।
লৈশা পাখংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

ধনু: হকচাং হান্নদৈ হেন্না নুংঙাইজবা, অচুম্বনা মাঙওইনরদি চাউনা কান্নজবা নুমিৎনি। অরাপ্পগী মতেংদি ফংলোই, হুরানবনা তাথিগনি।
লৈশা পাখংগী- লাইবক লৈতে।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

মকর: হরাওবা, নীংবা থুংজবা, লমদগী মতেং লৌবা য়াবা, মীনা লাকচবা ঙমদবা নুমিৎনি। অনিংবা থবকসু পাঙগনি, মীনসু চাল্লি।
লৈশা পাখংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

কুম্ভ: খোয়রাং-খোয়শাওবা য়াদে, অনম তানগনু-নোল্লুক্লা চৎলু। খোঙফম অমা-অনি হন্দোকপা মায়থিবা নত্তে-অশিংবগী খোঙথাংনি।
লৈশা পাখংগী- মোং হাদবনা শাফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

মীন: লন চঙগনি, নীংবদুমক পাঙবা মায় পাক্কনি, নচা-ননাইগী ৱা তাবা ফৈ। য়েৎনবা/চীন্দা-পাউদানবা, ৱানোম-থৌনোমদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংগী- লাইবক লৈগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

ইলেক্সন শরুক য়ারোই হায়না মৈরা খোঙচৎ চৎখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০২ (ঐচ এন এস) : রুরেল য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ৱিমেন ৱিং অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন্না শীন্দুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী খূৎনেক্কী লান লোইশিন্দ্রিবা ফাওবা ঐখোয় ইলেক্সনদা শরুক য়ারোই হায়বা মৈরাগী খোঙচৎ অমা ঙসি নুমীদাং পুং ৮.৩০ তাবদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লাইরেনকাবী, লম্ফাল, লমশাং অৱাং লৈকায়, নোংচুপ সঞ্জেনবম অমদি হৈবোংপোকপীগী নুপী মীয়াম্না চৎখ্রে।

মৈরা খোঙচৎ অদুদা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা অৱা-অনা তারিবা মীওই পুন্নমক্কী ময়ুম-ময়ুমদা তংদু লৈতানা লৈহন্দ্রিবা ফাওবা ঐখোয় ইলেক্সন য়াওরোই। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী খূৎশেমগী লানসি ৱাখৈদ্রিবা ফাওবা ইলেক্সন য়াওরোই। ইলেক্সননগী মমাঙদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ৱারোইশিন পুরক্লবদি ঐখোয় ভোট য়াওরোই, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী খূৎনেক্কী লানগী মায়োক্তা মীয়াম্না লেপ্পি অমদি মণিপুরগী টেরিটরিএল ইন্টিগ্রিটি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থুগায়বনি হায়বা খোল্লাও কয়াসু লাউখি।

নীংশিংবা য়াই, কাংচুপ চীংখোঙ, কদাংবন্দ, সেঞ্জম চিরাং, কৌক্রকনচিংবা চীংখোঙ-চীংয়াদা খুন্দারিবা মীতৈ খুঞ্জাশিং অয়াম্বা হৌজিক ফাওবা তংদু লৈতানা ময়ুম-ময়ুমদা লৈবা ফংদ্রিবনি।

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]
M/S BEE BRICK FIELD
Wangjing Sabal Checkon Leikai
Near, Khongjom War Memorial
GSTIN - 14CMPYS1064C2ZU

Class	Rate	No. Of Bricks	Amount
1st Class	13.00	1,500	19,500
		2,000	26,000
2nd Class	12.20	1,500	18,300
		2,000	24,400
1st Reject	11.00	1,500	16,500
		2,000	22,000
Jhamat	10.00	1,500	15,000
		2,000	20,000
P.T	10.50	1,500	15,750
		2,000	21,000
P.T Reject	8.50	1,500	12,750
		2,000	17,000
3rd Class	5.50	1,500	8,250
		2,000	11,000
4th Class	4.00	1,500	6,000
		2,000	8,000
Checktek 1 Load 407 Cantor			3,500

Contact No. 7005513073

HL-P/10145/31/3-9/4

[illegible]
SASHI COACHING CENTRE
Khurai Ahongei Leikai, OPP. Babina Diagnostic, JNIMS Road
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN KHURAI SOIBAM LEIKAI
ADMISSION OPEN
XII FOUNDATION COURSE [COHSEM & CBSE]
Subjects offer:
Physics, Chemistry, Mathematics, Biology, Home Science, English and Manipuri
Class Starts on: 15th April 2024
Class Timing: Evening (4:00 to 8:00)
SPECIAL FEATURES
- Updated study materials & Previous years questions
- Expected Questions for upcoming exams
- Unit- wise test & Mock Test
- Experience and expert faculties
- Affordable course fee

Available: Hostel (Boys & Girls) + Van Services
For more information, please visit, Sashi Coaching Office: +917005023985, +917005329252

HL-P/10326/2 to 13 April

[illegible]
Admission Open for
FOUNDATION COURSE
Apollo Academy
Kwakeithel Bazar, Airport Road-01
Near AMUCO Building
Class XII Science
Phy + Chem + Bio + Maths + Comp.Sc. + Home Sc.+M.M.+Eng.
Class Starts: 15th April, 2024 | Timing : 4:10 p.m. to 7:50 p.m.
Class XI Science
Phy + Chem + Bio + Maths+English
Class Starts: 25th April, 2024
Timing : Morning (8:00 am to 9:45 am) Evening (4:10 pm to 7:50 pm)
[Both CBSE & COHSEM]
We provide
"CUET/JEE/NEET Nurture Test Series & FREE Basic Computer classes"
Weekly/Bi weekly Test Series for Every Subjects
Special features:
SPECIAL ENGLISH & MM CLASSES OF COHSEM SYLLABUS ONLY
- School Van Service.
- Affordable Tuition Fees
- Half Hostel Admission fee for 2023 Matric Rank Holders & Government school students (Limited seats).
- Study materials from Edurev & Infinity Learn

➡Avail Hostel for boys & girls.
➡Mess Fee : 4,500/- per month
For enquiry:
Pllz visit Apollo Office (8258013846)

HL-B/8672/2 April to 5 May